# ৱিমেন্স অন্দর ১৯ টি-২০ ত্রোফিঃ মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশপু লাকচনা থোইবা ঙমখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচ এন এস):** বি সী সী আই দোমেষ্টিক সিজন ২০২৫-২৬কী ওইনা হৌজিক লক্নৌদা চথরিবা ৱিমেন্স অন্দর ১৯ টি-২০ ত্রোফি প্লেটকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশপু লাকচনা থোইবা ঙমখ্রে।

লক্নৌদা লৈবা ভারত রত্ন শ্রী অটলবিহারি বাজপায়ি একানা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস মণিপুরনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা অরুনাচল প্রদেশনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখি। অরুনাচল প্রদেশনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা নাবম কারি অমসুং কনিকানা ওপন্নর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপন্নর বেটসমেন ওইখিবা নাবম কারিনা বোল ৪৪ মায়োক্ন বদা রন ১৩ লৌরম্লগা বিজয়া খুন্দ্রাকপমগী বোলদা আউট ওইখি।

অতোপ্পা ওপন্নর বেটসমেন কানিকা বোল ৩৬ মায়োক্নবদা রন ৩১ লৌদুনা আউট ওইদনা লৈদুনা হৈনা শিংনা শান্নবা ঙম্লবসু লেমহৌরিবা টিম অদুগী বেটসমেন অমত্তনা মায়োক্নরিবা টিমগী বোল্লরশিংগী এটেক মপুং ফানা মায়োক যাবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা অপীবা ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ৬৫ খক্তমক লৌবা ঙমখি।

টার্গেট রন ৬৬ লৌবা ঙম্নবা মণিপুরনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা কেব্রিয়া অমসুং এল প্রেনানা ওপন্নর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপন্নর বেটসমেন ওইখিবী কেব্রিয়ানা বোল ২৩ মায়োক্নবদা রন ১১ লৌরম্লবা মতুং ক্রুসা নাকরগী বোলদা য়েনা ওক্তুনা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুংদা থোরকখিবা বেটসমেন টানিয়া নিংথৌজম অমদি অতোপ্পা ওপন্নর বেটসমেন এল প্রেনানা মায়োক্নরিবা টিমগী বোল্লরশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং হৈনা শিংনা মায়োক যাদুনা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা মায় পাক্ন বগী লম্বীদা খোঙজেল য়াঙনা চঙশিনবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসীগী ওইনা ওভর ১২.৪দা মণিপুরনা ৱিকেট অমখক তুরগা টার্গেট রন হেন্দোক্তুনা পুন্না রন ৬৮ লৌবা ঙমখিবগা লোয়নননা মেটচ অদু মণিপুরনা লাকচনা ৱিকেট ৯দা মায় পাকপা ঙমখিবনি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা মণিপুরগী বেটসমেন এল প্রেনানা বোল ৩১ মায়োক্নবদা রন ২৫ অদুগা তানিয়া নিংথৌজমনা বোল ২৩ মায়োক্নবদা রন ২১ লৌরগা আউট ওইদনা লৈবা ঙমখি।

# এস দব্লিয়ু সী কৈরকনা এল এম এল সী সী লাংমৈদোং থোইরগা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচিংগী প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ২২ রক শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট ২০২৫ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়নননা লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এস দব্লিয়ু সী কৈরকনা এল এম এল সী সী লাংমৈদোং থোইরগা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা এস দব্লিয়ু সী অমসুং এল এম এল সী সীগী মরক্তা নুংথিল পুং ২.৪০ তাবদগী হৌরগা চথরক্লিবা সুপর দিভিজন লিগ অসিগী অরোয়বা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকচনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে।

টিম অনীগী মরক্তা অকনবা লম্বা তৌনখিবা অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এস দব্লিয়ু সী কৈরকনা এল এম এল সী সী লাংমৈদোংদগী পাঞ্জল ৩-১দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি। এস দব্লিয়ু সীগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ১৩, ১৭ অমসুং ৪৪ শুবা মিনটতা মথংশিংনা রিক্সন মোইরাংথেম, এস মালেমঙানবা অমসুং দব্লিয়ু সনাতোম্বনা চনখিবনি। অদুগা এল এম এল সী সীগী পাঞ্জল অদুনা ৩৬ শুবা মিনটতা বুংজোইনা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা এল এম এল সী সীগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। মেটচ অদুগী ৮১ শুবা মিনটতা এল এম এল সী সীগী এস লৈশেম্বনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। মখা তানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ইঞ্জুরি টাইমদা এস দব্লিয়ু সীগী ৱাই সনাতোম্বা অমসুং এল এম এল সী সীগী রেংমিঙরনা পাঞ্জল অমমম চন্নবা ঙমখিবগা লোয়নননা মেটচ অদু এস দব্লিয়ু সী কৈরকনা পাঞ্জল ৪-৩দা মায় পাকখিবনি। চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা এস দব্লিয়ু সী কৈরকনা মেটচ ৬ শান্নখিবগী মনুংদা মেটচ ৬ মক মায় পাল্লগা পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ১৮ ফংদুনা টিম চেম্পিয়নি ওইবা ঙমখিবনি।

# ৱিমেন্স ফিটনেস ওপনগীদা লাইশাংবম সোনিয়ানা গোল্ড মেদল লৌখ্রে




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচ এন এস):** মণিপুর এমেচর বোডি বিল্ডরস এসোসিএশন (মাবা)না শীন্দুনা ইম্ফালগী নোথ এ ও সীদা লৈবা অশা হোলদা ঙসি ১৫ রক শুবা মিষ্টর কংলৈপাক বোডি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫ পাঙথোকখিবগা লোয়নননা ৱিমেন্স ফিটনেস ওপনগী অথোয় অহেন তান্নখিবদা মসল ফেক্টরি ককচিংগী লাইশাংবম সোনিয়ানা গোল্ড লৌবা ঙমখ্রে।

লেট নিংথেমচা নিংঙোল চোংথাম ওংবী ইমা সনাতোম্বী মেমোরিএল ত্রষ্টকী স্পোন্সরশিপ মখাদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকখিবা নুপা অমদি নুপী বোডি বিল্ডিং শান্নরোয় ১৫০ রোম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা পুন্না কেটাগরি ৮দা অথোয় অহেন চাংদম্নখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ওইনা ৱিমেন্স ফিটনেস ওপনগীদা সোনিয়ানা গোল্ড লৌবা ঙমখিবগা লোয়নননা য়ুনাইটেদ জিম নাওরেমথোংগী লৈমপোকপম চেরিসমা অমদি এক্সত্রিম ফিটনেসকী ওইনাম মেমিচা না মথংশিংনা সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি।

মাষ্টর কেটাগরিগী চহী ৫০ মথক্কী কাঙলুপ্তা কে বি বি জিম তেরাগী ঙাসেপপম দেবান, ও সী টিগী সনসম রঞ্জন অমদি এন টি জিম লংথবালগী মোইরাংথেম রঞ্জিৎনা মথংশিংনা গোল্ড, সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ লৌখি। অদুগা মাষ্টর কেটাগরিগী চহী ৪০ মথক্কী ওপন বোডি বিল্ডিং কন্টেষ্টতনা এম পি এস সীগী দব্লিয়ু কিরননা গোল্ড, এন এফ সী নম্বোলগী বোইনাও লোংজমনা সিলভর অদুগা এন টি জিম লংথবালগী এল সেখোরজিৎনা ব্রোঞ্জ লৌবা ঙমখি। সব জুনিয়র কেটাগরিগী শোর্ট, মেদিয়ম, টোল, সুপর টোলগীদনা প্রভাবতি ফিটনেস সেন্টর ৱাঙ্খেইগী কে বিসন, এ ৩ ফিটনেল সেন্টরগী ৱাহেংবম কৈলাস, হকশেলগী কে ঐচ টিপু অমদি ওগষ্ট জিমগী সী ঐচ বিগ্যানন্দনা মথংশিংনা গোল্ড মেদলশিং লৌবা ঙমখি।

# নুপাগী রেগু ইভেন্টতা মণিপুরনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচ এন এস):** গোৱাগী মদগাউনদা লৈবা মনোহর পরিকর ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৩৫ রক শুবা সিনিয়র মেন্স অমদি ৱিমেন্স নেশনল সেপাকটাক্রো চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা মণিপুরগী নুপা টিমনা রেগু ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

সেপাকটাক্রো ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়া (এস টি এফ আই)গী মীৎয়েং মখাদা গোৱানা য়ুম্বু ওইরগা থা অসিগী ২৪দগী হৌরগা চথরিবা নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি হুম্নি চনবা নুমিৎতা নুপাগী রেগু ইভেন্টকী ব্রোঞ্জ মেদল রাউন্দ শান্নখিবদা মণিপুরনা বিহারবু সেট ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি। ইভেন্ট অসিদা মণিপুরনা সেমি ফাইনেল মেটচতা ওল ইন্দিয়া পুলিস কন্ট্রোল বোর্দ (এ আই পি সী বি)গী মখুৎতা সেট ২-০দা মায়থীহৌখিবনি। নুপাগী ক্বাদ ইভেন্টকী ওইনা মণিপুরনা রাজসথান, অসাম অমদি উট্টরখন্দ মায়থীবা পীখি অদুবু ছটিসগরগী মখুৎতা মণিপুর মায়থীবা নঙহৌখি।

# লাইফ্রাকপম অৱাং লৈকায়দগী মুতুম মুক্তানা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচ এন এস):** এথলেটিক এসোসিএশন ওফ মণিপুর অমদি মণিপুর রন্নিং টিম অনীনা পুন্না খুৎশম্নরগা ঙসি কিলোমিটর ১০ মিনট ৩৪গী মনুংদা লমথুংফম য়ৌবা ঙম্বা লমজেলগী অথোই অহেন চাংদম্নখিবগা লোয়নননা লাইফ্রাকপম অৱাং লৈকায়দগী মুতুম মুক্তানা মিনট ৩১গা সেকেন্দ ৩৯দা লমথুংফম য়ৌবা ঙমদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৮দগী লাকপা পুন্না শান্নরোয় ৪০ রোম্না শরুক য়াদুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর ডা. ময়েংবম ভেটো, এথলেটিক এসোসিএশন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট লৈশাংথেম অজিৎ, এসোসিএশন অসিমক্কী সেক্রেটরি ইটো তোংব্রম, য়াসকী রিটয়ার্দ এথলেটিক কোচ সাপম রসোরিনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মিনট ৩৪গী মনুংদা কিলোমিটর ১০গী লমথুংফম য়ৌগদবা লমজেল অদুদা মুতুম মুক্তানা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবগা লোয়নননা নোনেগী পোংগ্রিনলোং চরোইপাংদোংবদগী গাইনিংথুই মালংমৈনা মিনট ৩১ গা সেকেন্দ ৫৮দা লমথুংফম য়ৌদুনা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি অদুগা সামুরৌ নাওরেম চাপ্রৌ অৱাং লৈকায়দগী লোংজম কালনজয়না মিনট ৩২গা সেকেন্দ ১দা পন্থুংফম য়ৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি। অদুগা মরিশুবদগী হৌরগা ১৫ শুবা মফম কনবা ঙমখিবা শান্নরোয়শিংদসু অখন্নবা মনা মথুম পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি। থৌরমগা মরী লৈননা দিরেক্টর ভেটোনা হায়, এথলেটিক হায়রিবা মশান্না অসি ফাদর ওফ গেম হায়নসু খঙনরিবনি। মরম অদুনা মশান্না অসি য়াম্না লায়না লৌবা য়াদবা অমা ওইরি। এথলেটিক মশান্না অসি শেল ইচঙ চঙদনা শান্নবা য়াবা মশান্না অমা ওইবনা শান্নরোয়শিংনা কথোকপগা লোয়নননা থৱায় য়াওনা হোৎনরবদি শোয়দনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়খি।

# জুবেনাইল ক্লবনা চজিং ইনাৎ কনবা লুপপু লাকচনা থোইবা ঙমখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচ এন এস):** ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ)না শীন্দুনা পাৎশোই পার্ট ২দা লৈবা পময়াল গ্রাউন্দদা ঙরাংদগী হৌদুনা চথরিবা ২৫ রক শুবা সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা জুবেনাইল ক্লব তেরা এন সী রোদ মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙনবা টিম ৬না শরুক য়ারগা চথরিবা ফুটবোল লিগ অসিগী ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদা জুবেনাইল ক্লব তেরা এন সী রোদ অমসুং চজিং ইনাৎ কনবা লুপ (চিকল) লিলোং চজিংগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী জুবেনাইল ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা খরা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা জুবেনাইল ক্লবনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু ৩৯ শুবা মিনটতা চনম অকাসনা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু মখা তানা জুবেনাইল ক্লবনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়নননা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবসু মশিং হেন্না ফংখি। মেটচ অদুগী ৫৬ অমসুং ৬৮ শুবা মিনটতা জুবেনাইল ক্লবগী ফোর্ৱারদ শান্নরোয় ভিক্টর ওইনামমনা পাঞ্জল অনী চন্দুনা পাঞ্জল ৩-০দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

চিকলগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙম্নবা হোৎনরবসু বোল পায়বগী চাং নেমখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। মেটচ অদুগী ৮০ শুবা মিনটতা জুবেনাইল ক্লবকী চনম অকাসনা মহাক্কী অনীশুবা অদুগা টিমগীনা ৪ শুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা চিকলগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু জুবেনাইল ক্লবনা পাঞ্জল ৪-০দা লাকচনা থোইবা ঙমখিবনি।

# মণিপুর প্রেমিয়র লিগঃ অমোফা মোইরাং অমসুং য়ু সী এফ সী মায় পাকখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচ এন এস):** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সেক্তাগী এস এস সী গ্রাউন্দদা চথরিবা অহুমলকশুবা মণিপুর প্রেমিয়র লিগ ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা অমোফা মোইরাং অমদি য়ুনাইটেদ চান্দেল ফুটবোল ক্লব (য়ু সী এফ সী) মায় পাকখ্রে।

শৈখ বাবুমচা মেমোরিএল ত্রষ্টকী স্পোন্সরশিপ মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা)না শীল্লগা টিম ১৫না শরুক য়ারগা চথরিবা মণিপুর প্রেমিয়র লিগকী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ২৬ শুবা লিগ মেটচতা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএশন (অমোফা)না অংথা এফ সীবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীরমখিবনি। অমোফাগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ২, ২১ অমসুং ৮০ শুবা মিনটতা এম সোমোকান্তনা অহুম অদুগা ১৭ অমসুং ৮৪ শুবা মিনটতা কে ন্যুটন অমসুং কে ঐচ সোমোরজিৎনা অমমম চনখিবনি।

প্রেমিয়র লিগ অসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দগী শান্নখিবা ২৭ শুবা লিগ মেটচতনা য়ু সী এফ সীনা সোসল স্পোর্টিং ক্লব (এস এস সী) সেক্তাবু পাঞ্জল ৪-১দা থোইবা ঙমখিবনি। য়ু সী এফ সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৬, ৩৭, ৬৮ অমসুং ৮৭ শুবা মিনটতা মথংশিংনা দব্লিয়ু ষ্ট্রোংমেন মোনসাং, নিকি তোংসিন অনাল, চাইথু লানথাংচুং আইমোল অমসুং কেনফাসহা চিনিরনা অমমম চনখিবনি। অদুগা এস এস সীগী পাঞ্জল অদুনা লোংমৈ পাওদানা চনখিবনি।

# ত্রাইএল সিলেক্সন পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচ এন এস):** তোঙান তোঙনবা স্পোর্টস দিসিপ্লিন ৪গী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল ত্রাইএল সিলেক্সন ২০২৫-২৬ থা অসিগী ২৮দা পাঙথোক্লগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর (দি ৱাই এ এস ও), বিষ্ণুপুর দিষ্টিক্ট এল মেঘবর্ননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না ত্রাইএল সিলেক্সন পাঙথোক্কদৌরিবা স্পোর্টস দিসিপ্লিনশিং অদুদি জিমনাষ্টিক (অন্দর ১৪/১৭ বোইজ এন্দ গার্লস), নেটবোল (অন্দর ১৭ বোইজ এন্দ গার্লস), বাস্কেটবোল (অন্দর ১৭ বোইজ এন্দ গার্লস) অমদি হেন্দবোল (অন্দর ১৪ বোইজ এন্দ গার্লসনি। হায়রিবা ত্রাইএল সিলেক্সন অসিদা শরুক য়ানবা ফোর্ম থাজিনবগী অরোয়বা মতমনা হয়েংনি হায়রি।

# ঐখোয়না মথৌ তারিবসি মপুগী শিন্থা মপুং ফানা পাঙথোকপদুনিঃ এম রামেশ্বর



**পল্লেল, ওক্টোবর ২৬ (ঐচ এন এস):** মীওইবা খুদিংমক্তা তাইবং মপুনা মাগী মাগী শিন্থা অমমম পীদুনা মালেমসিদা থারক্লিবনি। ঐখোয় ঐখোয়দা পীরক্লিবা শিন্থা অদু মশক খঙদোক্তুনা শিন্থা অদু মপুং ফানা পাঙথোক্লম্বা অদুনি ঐখোয়না মথৌ তারিবসি হায়না ককচিং এস সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

খা ঙাকপা ফুটবোল একাদেমী (কে এন এফ এ) পল্লেল হাঙদোকপগী থৌরমদা অথোয়বা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ রামেশ্বরনা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না হায়, পল্লেলগী নহা কয়ানা হৌরক্তুনা অসিগুম্বা ফুটবোল একাদেমী অমা লিংদুনা পল্লেল এরিয়াদা লৈরিবা পীক্লিবা অঙাংশিংদা শান্ন-খোৎনবগী লমদা অনৌবা ইনোৎ হাপ্নবা হোৎনরিবা অসি অনৌবা খোঙথাং অমনি। মতম মতমগী লৈঙাক্তগী লৌবা য়াবা মতেং অমদি মহাক্কী মায়কৈদগীসু পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি। শান্ন খোৎনবখক নত্তনা পল্লেল অসি ইকনোমি হব অমা ওইহন্দুনা মীয়ামগী শেন মীৎলোন ফগৎহন্নবসু হোৎনগনি হায়খি।


VEHICLES LOAN / PENSION LOAN / EMPLOYMENT NEWS

# 2/3/4 Wheeler Loan and Used Car ফংবীগনি।
# State/ Central Pensioner শিংগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% p/m গী Interest তা পীজরি।
# Employment News : Office Asst. (Graduate + upto 32 yrs), 2 Wheeler Mechanic, Mechanic Helper, Car Wash Helper, Chicken Centre Helper 2/2, Tyre Fitting Helper অমসুং চেক্কী Mistry, Jugali পামজৈ।
# 2 Wheeler used vehicles exchangeসু ফংবীগনি।

*Please Contact :* **L.G. Motors**
Khagempalli Huidrom Leikai,
Mobile No. : # 9362775475 / #8414081916

HL-B/9834/9 Alt

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1630**

**WFM Anusha Subramanian (2056) - CM Angel Eduardo Chahin Godoy (2002)**
**Titled Tue 16th Sep 2025 chess.com INT (8), 2025.09.16**

1.Nf3 d5 2.b3 Nf6 3.Bb2 e6 4.e3 Be7 5.c4 O-O 6.d4 b6 7.Bd3 Bb7 8.O-O Nbd7 9.Ne5 Nxe5 10.dxe5 Ne4 11.cxd5 Qxd5 12.f3 Rad8 13.Be2 Nd2 14.e4 Qc5+ 15.Kh1 Nxf1 16.Qxf1 Bg5 17.f4 Qc2 18.Ba3 Bxf4 19.Bxf8 Bxe5 20.Na3 Qb2 21.Rb1 Qxa2 22.Nc4 Bd4 23.Be7 Re8 24.Bh4 Bxe4 25.Rd1 Bc5 26.Ne5 f5 27.Bf3 Bxf3 28.Qxf3 Bd6 29.Qc6 Rf8 30.Nd7 Qxb3 31.Re1 Rf7 32.Nb8 e5 33.Na6 e4 34.Bd8 e3 35.Bxc7 Bxc7 36.Nxc7 h6 37.Qe8+ Kh7 38.Nb5...

**QUESTION : Black to win**

**Puzzle 1629 Solution :**

**28. ...Qh4 29.Rf1 Qd4+** *The black queen attacks White's king, which is defending the square f2.* **30.Kh1**
*30.Rf2 Re1#*
**30. ...Qf2 31.Rg1 Re1** *The black rook pins White's rook against White's king.* **32.h3**
*32.Qe8+ Rxe8*
*32.Qc8+ Kg7 33.Rxe1 Qxe1#*
**32. ...Qxg1#** *Damiano's rook mate*
*32...Rxg1+*
**0-1**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com